"মীনম্বা ৱাদু হায়দ্রবদি মীদু হাৎপা তারবদি
অদুগুম্বা মতমদা মীনম্বা ৱা হায়গদবনি।"
- *সোনামনি (ৱাথোকচাও)*

## সৈরেং

### থাবলগী মঙালদা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ঙসিদি উখিদরে
খূৎশেমগী মৈঙাল্লক্তা,
নীংথিরবা থাবলগী মঙালনা
নারক-শিংলক
উপাল, ৱাপাল ফাওরদুনা
চঙলকপা ঈংলবা
থাবলগী মঙাল'দো।
চীংগী লমদম চীং-লৈবাক
অসিগা, তমগী লমদম
তম্পাক অসিগা
ওস্থোক্লা খেন্ননা উখরে,
থাবলগী নীংথিজবসে।
মেরা থাগী থাবলনা
ফিঙৌ ফৌবগুম্না নীংথিজবা
চীং-পাৎ, তুরেল, লম্মাং-তুহাং
তন্দনশিংনা কুফেৎ কাফেৎ
নারক শিংলক্তা পাইরম্বা উখিদরে।
খূৎশেমগী মৈঙালক্তা
চীং-লৈবাক্তসু, তমগী লমদমদসু
উখিদরে, অনীমক্তা নীংথিজবদো।

### কাঞ্চিগী লৈকোল

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

নত্তে হায়গদবা অনা লায়েংশঙ
অকি তুজুং পোকফমসু থোক্তে
পাঙ্খক্লি ফজখ্রবা কাঞ্চি লৈকোলগা
পূক্লিং হুনা নীংথিজরবা মফমদুগা
লৈশাৎ তমখিবদো লৈহাও লৈরেননা
থাবগী লোইবা খন্বা নাইদ্রবা
অদুঙৈগী অশৈবা কমলগী খোর্জৈদগী।
ঙকপদগী ঙক্লবা তাইবঙ মপোক্লি
পাউখোঙনি কনা'মনা ফোংঙমদ্রবা
তাইবঙ ফাওরকপদা কেকু লোৎখিবদুনা
অরোইবা নুমিৎতা কেকু ফোঙবনি
পোকপা শিবা থৌদোক অনীগী
ঙাইহাক্কী কুম্মৈ শান্নফম ফম্পাক্লি
ঙম্নমক মীথুংলেন ঙাক্তনি মীথুংশঙসিদা।
অশোন অনা লায়র অনংশিংগী
চঙজফম ওইরিবা আশাগী লাইশংসিদা
লুনা চান্না তৌবীসি মখোয়বু
ফাথসি মখোয়গী মীপাইর থম্মোয়বু
ঙাঙদুনা খোয়থুম্নরবা ৱাঙাঙ-শঙাঙ
চৎসি মীওইবা ওইবগী শাজৎ
ওইহল্লসি মুৎনাইদ্রবা কাঞ্চিগী লৈকোল।

### তাইওন্নরবা মালেম

**—বোইচা খুমন**

মীনাৎনা ঈনাৎকী শক্তম ওইরবা
লাইরিক হৈর হৈরগা লৌশিং মল্লবা
অচুম্বদি নত্তনা অচুম্বা মালহনবা
মফম খুদিংমক অরানবা নমথাক্লা লাকশিল্লবা
শা উচেক্লা তাইবঙ মীরোল খঙলক্লে
মীওইবনা শা-ঙাগী মহুৎ শিল্লক্লে
অচুম্বগী মমল খল মথক্তা ওল্লরে
মালেমদা উহৈদবা তাহৈদবা ফুদ্রিৎ ফুররে।
চপ-চপ লেপ্তুনা লৈরে মালেমসে
পৈশানা রিমত ওইদুনা হাই হুল্লরে
নিংথৌনা চাকনীবগুম ফিগাও য়ারি মীয়ামদা
অঙম্বনা অঙম্বা শেৎতুনা চান্নরবা চকসিদা
লাইবু পুথোক্তুনা মালেমদা করবার শান্নরিবা
শান্তি লাওদুনা ফিজং মরুমদা শগুন তৌরিবা
ৱারক ৱাতেন্বীনবা কনাসু লৈররোই
ঙসিগী তাইওন্নরবা মালেম অসিদি।

### ঐগী দাচৌ

**—দদা ব্রোজরাজ**

তাইবঙপানসে ঐঙোন্দদি
ঈশৈ অমখকনি।
নঙগী ইঙা থাগী মায়থোঙদা
শাগৎচৈ অপীকপা শ্বর জগৎ অমা!
ফজবনা মপূং ফারবা মতমসিদা
লৈমিন্নজনীংবনি নহাক নথন্তগা!
নঙবু চৎলুসিরা ঙাইহাক ঐগা
ঙাইরিদনা ঐসু হিরোই অদুনা য়ৌরকপা ফাওবদি
লিগেনে নফমদা অমমম অঙান করম্না তিনখিবা!
লাকখিবনা নফমদা নুংশিবা থিবা
ৱাৎত-পাদা পুক্কৈদা নুংশি নঙবু লোৎপ্রা?
তরেৎ শেঞ্জা তিংদুনা নঙবু করম ফংসিবা!
লাক্লো থৱায়গী মবুংঙো
ঙাইরি ঙসিসু নোঙ্গৌবীনা
ইঙাগী নোং ঙাইবগুম!
লাওরিবসে ঐনা অঙাওবগুম
শান্তি! শান্তি! শান্তি!
ফুম্বংনরবা ৱাখলগী মরুমদা!
ৱাহল্লগনু হে থম্মোয়
চাকহল্লগনু হে পুন্সি!
লমহাংনরে তাইবঙ মালংসিদা!
ঐগী অমত্তা ঙাইরবা
থৱায়গী থৱায় মবুংঙো।

### কয়াগী মতিক কল্লম্বা

**—নাওরেম মঙ্গি**

কয়াগী মতিক কল্লম্বা
ঐখোয়গী ইপা ইপুশিং
নিংথি তুরেল ৱাংমফাও
অৱাবু কোইতান তানখিবা
অঙকপনি নখোয়গী নথৌনা।
অঙ্গো চীংশাংনা কোল্লিবা
কবো তম্পাক অসিবু
ঐখোয়গী করম্না ওইরম্বা
অংগ্রেজশিংনা লমদম অসিবু
বর্ম্মাদা করম পীথোকখিবা
পাম্মুজৈ ফজরবা লমদমসে।
য়ান্দাবু চুক্তি থিগত্তুনা
ঐখোয়গী ওইবা য়ারিবনি
মণিপুরগী পাঙদবা নেতাশিং
দেল্লীদা মরোল থোক্তবা
মাঙ্গোলদতা চাওবা তোকপীরো
অমুক্তং হোৎনদুনা য়েংলসি।

### লোৎলিবনি

**—এম নিলকুমারি**

লোৎলিবনি খল্লু' উখিদ্রবনি নীংলুবা
নোংমদি উরুই-থেংনরুই খঙহৌদ;
হৈনজবী অমগী মরুমদা।
হৈনজবনি থাদোকফদ্রবা
খূৎশা তরা' পায়শিল্লি চেন্না চেন চৎননা।
ইমাংদা ফন চোঙথোরকই।
ঙসিগী অনৌবা শৈরেংগী লাইরিক অসি:-
ফোঙদোকচরে মীয়ামদা খূৎশিন্নজরে।
মীয়াম পূম্নমক চপ লেপখৎলি খূবাক খুনৈ মখোল হৌই
অসি মঙাইরে অথোইবা মীথুংলেন।
মীথুংলেন অথোইবনা মৈরা চুখৎকনি
হৌন-লোনচৎ ঙাক্কনি।
ৱাহৈ খরা মশাগী লৈতেংনি।
কুমগী নোংহৌনা অকনবা নোংজুনা
লেংলি পাল্লিবা থৱায় পানবা পানবীশিংগী
'শিদহীদাকনি'
কুমগী নোংজু লাক্ত্রবা অথেংবা অমম্বা ইপাক্কী
হঙোই নহা খোন্নৌবা শৈশল্লরোই
লৌরি কানবী শান্নররোই নোংজুগী শৈহৌ ঙাইবনি।

### খাম্বী মৈকল্লরো

**—পুয়াম অচৌ খুমনচা**

খাম্বী মৈকল্লরো
মৈরি থোক্লা চাল্লক্লে।
মৈরিসে লাউনা খোংনা
মায়কৈ মরি শংদাই নিপাল,
ইফুৎ ওইনা চেন্থরক্লি
লোইজিং লোয়া তম্না
ইফুৎ থিংবা ঙমদ্রে
লাম্থেংনবদা চোকথরে।
লৈবাক্কী অঙম অথৌ
হোৎনজরি ইফুৎ থিংনবা,
লাউরি ৱার ওন দ্রগ
ওইরি উৎতা ঘী হৈবা।
চোংশিল্লি মৈরানবীগুম
ইনখৎলক্লিবা কয়ানা
নোরোক্কী মৈরিলক্তা।
খাম্বী মৈহৌরে
মৈরি থোক্লা চাল্লক্লে।
কংলৈপাক্কী ময়োনপুংদা
জগোয় শাথেক তল্লি
নম্বর ফোর সিরিঞ্জ
জগোয়গী শাথেক্তা
ঙাওজরি তম্নলাই কয়া,
হু পুরবা মীওইবা
ওইজবনা হু কামশিল্লি
হঞ্জিন হঞ্জিন তুংগী নহাশিংদা।
ঈরাক্লগদৌরে কংলৈপাকসে
লুপকদৌরে লুপথরক্লে
দ্রগকী কোমজাও মনুংদা
করি খল্লি নঙ-মা
খাম্বী মৈকল্লরো চাল্লিবা মৈরিসে
শিদ-পামেল ওইরিবা নহারোলশা।

### চেক্লা পাইখ্রবদা

**—শ্রীরামেশ্বর লাইশ্রম**

ঙক্তা লৈ পরেং শীরদুনা
নাপ্পদা মাধবী নাচোম চিল্লগা
লোন্না চেল্লিবা ঈচেলবু য়েংদুনা
চন্দ্রনদি তোর্বান্দা লেপ্লম্বা।
হৈবোকচীংগী দৃশ্যদা থম্মোয় নুংওনখিবা,
শিলংগী দৃশ্যবু পূক্লিং হুনা য়েক্লম্বা
ব্রোজেন্দ্রগী লুহোংবা য়েংখিবা
দেবযানিগী অৱাবা খাঙখিবা।
মৈতৈ সাহিত্যগী লৈকোলদা
কাঞ্চিগী লৈনম য়েল্লম্বা,
থায়নগী কোনুংবু য়েংলগা কপখিবা
কদাইদা চৎখ্রে মহাক্তো?
কুমজা কুমওন তৈনবনা
উহৌদ্রে চেঙলৌদি মাগী
নিলহৌরি খোম্থাং য়ৈনা
মাগী ঈশৈগী শুরদি।
কয়াদা খোয়থুম্নখ্রবা সুরনো!
তারিবমখৈ পেনবা নাইদ্রে,
নোংপোক তোর্বান্দা লেপ্তুনা
নোংচুপ ঈশৈ শৈখুল্লম্বা।

### দ্রগ

**—ইরোম মোবি**

ওখাক নমাই কল্লি
ফাবগী ইকায়দে
মৈ থাবগী মৈশা ফাওদে
জেলদা লৈবগীসু অৱাবা খঙদে
চঙলক্লনু য়াদে হেক্তা চঙলকই
নঙসিবু করি লাইনা শাবনো?
নঙনা পাল্লিবসি
শুদনা নুংঙাইবনি
নহারোলগী পুন্সি মাঙহনবনি।
নঙবু চঙলকপা ঙমদনবা
থোঙ থিংবা ঙমদ্রি।

**মতম মতমগী ৱাখল**

# ওসমান থম্বাল

## মৈতৈ পাঙল লৌন-লৈনরম্বগী নুংশি ৱারী






অয়েকপম শ্যামসুন্দরনা ইবীরম্বা দ্রামা লাইরিক 'ওসমান থম্বাল 'অসি কুমশীং ১৯৭৪ দা ফোঙখি। চাউরাক্লা ঙসি ফাওবদা লাইরিক ফোংদোকখিবসি চহী ৪৮ মপুং ফারে । লাইরিক অসি ঙল্লিঙৈ অহানবা ফোঙখিবা মতম অদুদা ইকুই কুইদনা পাবা ফংখ্রে। নহানৱাই পাখিবনা চুম্নগী লাইরিক অমা ওইনা পাখিবনি । কূপথনা নৈনরগা পাখিবা নত্তে । ঙল্লিঙৈদা চৎনবী অমা ওইনা তম্নবা লাইরিক নত্তবা মখৈ অউটবুক পাবা হায়দুনা য়াম্না পানরকখি। মতম অদুদা পাখিবনি। মী অমগা অমগা অমগা লাইরিক ৱায়নরগা পানরকই । ইহন হনবা লাইরিকতু মথং মথং ৱায়খিবনা হল্লকপা মতমদা মল্লগা পীরক্কদৌরিবনি। লাইরিক ৱায়বিখ্রগা হল্লক্তবা, কদায় য়ৌখ্রবনো খঙদনা মাঙখিবা লাইরিকসু য়াওখি। লাইরিক মশাগী লৈগন্দবা,ৱায়রগতা পাবা, ৱায়রগসু পাক হেক পাদবা অদুম থমজিনবা, থৌরুরগনা পাবা লোইদৌরে পীরক্লগে হায়রগা পীরক্তবা, ৱায়রগা থিনগন্দবা মীসু য়াম্না লৈ । মী মীগী হৈনবীসি মখল মথেলনি। মতম অমগী মমিং লৈখিবা 'ওসমান থম্বাল' হায়রিবা লাইরিক অসি ৱায়খিবদগী অদুম থিল্লকখিদ্রবা লাইরিক অমনি। হন্দক য়াম্না থাজদনা এস এম শৈখনা অনীশুবা খুৎনম ওইনা মৈতৈ ময়েক য়াওনা ফোঙদোকপীরক্তুনা লাইরিক অসি অমুক হন্না উবা অমদি পাবা ফংহনবগীদমক থম্মোয় শেংনা থাগৎচরি। লাইরিক অসি নৌনা পাবা ফংবদা,হৌখিবা মতম নীংশিংলকপদা নত্তনা মৈতৈ পাঙল অনীগী নক্লরম্বা কয়াগী ৱারী শীংবুলসু নৌহৌননা নীংশিংলকই। নৌহৌননা পারুবদা,ইনৌ নৌবা মহাউ অমা অমুক ফংঙি।

লাইরিক অসি ড্রামা ওইনা ইবনি। ড্রামা লাইরিকসি মী অয়াম্বনা কয়া পানীংগন্দে। ড্রামা লাইরিক পাবা মীসু খরা তাঙব্রা হায়না খল্লি। ড্রামা লাইরিক অসিগী ৱারীসি ওসমান হায়বা মৈতৈ পাংঙল পাখঙ অমগা থম্বাল হায়বী মৈতৈ চনুরা অমগা লৌন লৈনখিবগী থৌদোক ৱারীদা য়ূম্ফম ওইরগা অয়েকপম শ্যামসুন্দরনা ইবীখিবনি। ৱারী অসিমক অশেংবা থোকখিবা থৌদোক্তা য়ুম্ফম ওইরগা অয়েকপম শ্যামসুন্দরনা শাগৎলগা ইবনি। অইবসি ঙল্লিঙৈ মতমগী মশক্নাইবা প্লেরাইটনি। মণিপুরগী প্লেরাইটশিংগী মরক্তা শীংথানখি বা অইবা অমসুনি। রুপমহল থিয়েটর অসি ১৯৪৩ দা ইম্ফালদা অনীশুবা লাঞ্জাউগী লানগানরকপা মতুং কুইদনা রুপমহল থিয়েটর থোকলকখি। অয়েকপম শ্যামসুন্দর রুপমহলগী ফাউন্দর মেম্বর ওইবতা নত্তনা প্লেরাইট অমদি এক্টর অমা ওইনা ঙল্লিঙৈদা থৌদাং লৌরকই। থিয়েটর অসি লীংখৎলকপদগী অয়েকপম শ্যামসুন্দরনা ইবা ড্রামা খরা মাইনুপেমচা অমদি হরিচন্দ্র মথং মথং ১৯৪৬ তা রুপমহল থিয়েটরনা শান্নখি । মসিদগী ওজা অসি লৈপাক্লা ফম্বাক লীলা-ড্রামাগী মাইকৈ অশোমদসু হেন্না শকখঙনবা হেল্লখি। হন্দোকপগী লমদসু খোং থাংজিল্লি। মীরোলদগী হন্দোকপনি। মতম অদুদা মণিপুরদা লাইরিক লাইশু অমদি ময়েক ফাওবদা বংলা লোলদা তম্মনরকখিবনা থায়নগী অহলশিংদি বংলা লোল নীংথিনা ঙাঙবা ঙম্নরম্মী । অইবা অসি বংলা সাহিত্য খঙখি ।

অইবনা হন্দোকপা লাইরিকশিংগী মনুংদা অনন্দমঠ, কৃষ্ণকান্তগী উইল, কপানকুণ্ডলানচিংবা অসি মমিং লৈখি। ৱারেংদা মণিপুরগী শুম্মাং লীলা অমসুং থিয়েটর ফোংখি। নীংশিংবা খরতমক শমজিন্না পঞ্জবনি অৱাৎ অপা কয়া লৈরমখিগনি। হন্দক এস এম শৈখনা থৱায় য়াওনা লাইরিক অসি থিদুনা অইবগী ইমুং মনুংগী অয়াবা লৌরগা নৌনা অমুক অনীশুবা খুৎনমদা পুথোকলকপসি ওজা এস এম শৈখ অমদি মসিবু ফোংদোকপীরিবা রাইটর্স য়ুনিয়ন ইম্ফাল থাগৎনিংঙি। অইবগী লাইরিক 'ওসমান থম্বাল' অসিদা য়াওরিবা মরুওইবা মীশক অনীসি কনানো হায়বসি লাইরিক অসিগী অহানবদা ফোঙদোকচনিংবা ৱাহৈ খরদং হায়বসিদা ময়েক শেংনা হায়বিরে। মৈতৈ পাঙলশিং লুহোংবদা ওসমান থম্বাল অনীগী নুংশি ৱারীসে ঈশৈ ওইনা মৈতৈ পাঙলশিংনা ঙল্লিঙৈদা শৈথাদুনা শক্লরম্মী হায়রি । মতাং অসি লাইরিক অসিদা অসুম্না ইরি-"পাঙল উমসাল চাওবগা, শগোলশেম চাদি থম্বালগা, লৌগে লৈগে তেমশিংনৈ, থম্বালনা লৈগে হোয়াখি,উসমালনা লৌগে তেমশিংখি। অওইবরনে থম্বালও, অওইবনিনে পলেমও। তৌগনুদা থম্বালও, শেৎকেদা হায়য়ু ইমাদা, ফিগে ফনেক লৈবীগে, ইনগেতা হায়য়ু ইমাদা, শুদ নমথাং থোনবীগে, ঙম্মরোইএ পলেমও। পাঙন উসমান চাউবগী পিশুম পাগোই মরক্তা, শমব্রু তোমথিন লৈবদু, নমোমগী মোংফম ওইখরে। অদুসু তোক্লো পলেমও , নুংয়ুংবীগী মখোঙদা পাঙল ছাটিন লান্নখ্রে, পা-ন চদুম চারুরে, ঙল্লরোইএ পলেমও ..।" মৈতৈ পাঙন ওসমান্না মৈতৈ নুপী থম্বালবু পাম্মী। মতাংসি লাইরিক অসিদা অইবনা ওসমান্না ডাইলোগ অমা ওইনা থম্বালদা হায়রি- "থম্বালগী ওসমানদি পাঙল ওইরম্বা য়াই অদুগা ওসমানগী থম্বালদি কৈদৌনুংদা মৈতৈ নত্তে ।" থম্বালনা ওসমানগী পিশুম অনীগী মরক্তা উবা শম্ব্রুদা নুংশিজৈ। নুপাদা শমব্রু থুংবসি ওসমান অমনি। অইবনদি হায়রমদে মৈতৈ পাঙলশিংনা ঈশৈ শকপদা শৈথাবদগী খঙবনি। হৌজিক মতমসি শম্ব্রুগী ফজবসি কয়া পন্নদ্রে। শম্ব্রু শীংথানদ্রে । খরা ঙল্লিঙৈদদি মীগী ফজবা শৈথাবদা শম্ব্রুসি মরুওই, য়াওদবা য়াদে। অশেংবা শম্ব্রু থুংদ্রবদি নুপী ওইবীশিংনা কেথোকলকপদা শম্ব্রু খুৎশেমগী নম্লগা হাপনৈ । চিনবান ময়াগী শম্ব্রু,খজাইগী শম্ব্রু অনীসি পন্নৈ। ফজহনবদা শম্ব্রুনা মতেং পাংঙি অদুবু মফম চাদবদা থুংবদদি কিনৈ । খুদম ওইনা পি তাফমদা,খৌরি ঙকশমদা থুংবদা অৱাবা নঙই হায়নৈ।

ওসমান অমদি থম্বালগা লৌন লৈনখিবগী ৱারীসি অশেংবা থোকখিবনি হায়বসি চৈথারোল কুম্বাবদা য়াওরি। লাইরিক অসিদসু পল্লি- (খৃঃ১৮৭৭) হিয়াঙ্গৈগী ১৯নি পানবা লংমাইচিং নুমিৎতা শগোলশেম ফুরিৎতুবগী মচানুপীগা পাঙনগা ঙাঙনৈ হায়দুনা পাঙন ওলহনখি। মপা মমাদি লিলোং ৱাংমা পাংঙন খুল্লক ৱাইরোকপম য়ূমফমদা লৈহনখি । মতম অসি চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা পানবা মতম্নি। শগোলশেম চাউবসি কৈশাম্পাৎ কাংঙাবম লৈকাইদগীনি অঙম অথৌ কোনুং মনুংগী ফুরিৎ তুবনি। ওসমান অসিনা মতম অদুগী পোলিটিকেল এজেন্ট ওইরম্বা সাহেব অমগী বঙ্গোলোদা থবক মচা অমা তৌজবনি হায়নসু পল্লি । নম্বুল তুরেলদা ইরুবদা থেংনবদা চুমলম্বসু য়ারি। ঙল্লিঙৈগী নম্বুল তুরেল তক তনাল্লম্মী। তুরেল মপান্দা তাবশিংনা ঈশিং শোক্লনা চানরম্মী। ইরু মাইথঙবা, ফিশুবা খুদিংমক তুরেল খোংনুংদনি। তুরেল অসিদা লৈরক অচৌবা মপা খুদিংগী হিদেন তাফম লৈরম্মী। নম্বুল তুরেলদা হিবোৎ থাবা য়াওরবা ফৌ চেঙ, অতৈ পোৎলমশিং হাপ্পগা কেথোল তম্না হিগারকপা ঐখোয় অঙাং ওইনা উহৌই। নম্বুল তুরেলগী ৱারী য়াম্না লৌরি।

ওসমান থম্বালনা হেক হেক উন্নবসি খুল্লক লৈরক,নম্বুল তুরেলগী হিদেন তাফম,খুল্লক লম্বী, থম্বালগী য়ূম শুম্মাং অমদি হৈরাংগোই থোং পল্লি। মফমশিং অসি অইবনা ৱাখলনা শাগৎলগা ড্রামা অসিদা উহল্লিবসিনা তশেংনা মতম অদুগী মশক অমা লৈরমখিবননি । মৈতৈ পাঙল নক্লরম্মী অমগা অমগা চঙনরম্মী। মৈতৈগী অনা অয়েক্কী হিদাক লাংথক শেম শাবা,য়ূম কৈ শেম শাবদা পাঙননা মতেঙ পাংনরকই । পাঙনদি ইস্খোল কোইবা, শা ষণ লোইবা, লম্বী থোং শেম শাবা য়াম্না হৈগল্লি । অসিগুম্বসিনা মৈতৈগা হেন্না নক্লনবগী মরমসু ওইরকই। নক্লরগদি নুংশিনরকই। মসিমক ওসমান থম্বালদসু থোকখি। লাইনীং লাইশোন শাগৈ জাৎকী ৱাফম্না অমনি। মৈতৈনা পাঙন অমত্তা মৈতৈ ওন্নবা নমফু তৌখিদে। মখোয়গী লাইনীংবু ইকায় খুম্নখি। মসিমদি ফজৈ ।

লাইরিক অসিবু এস এম শৈখনা নুংশিনা নৌনা অমুক ফোংদোকপগী থৌদাং লৌবীরিবসি ঐগী ৱাখলদা মৈতৈ পাঙল অনীগী নুংশিনরম্বা নক্লরম্বা লৌন লৈনরকই হায়বসি ঙসিগী মীরোল অসিদা খঙহনবীনিংবগী ওইগনি খল্লি । মৈতৈ পাঙলনা মৈতৈ নুপী লৌই,মৈতৈ নুপানদি মৈতৈ পাঙল নুপী লৌবা পাক্লা তাদে। তাঙনা থোকই। মসি করিগীনো হংবসু য়াওরি। মসিগী পাউখুমসি ঐনা পীবা ইতিক ওইদে । হিজম অঙাংহলনা মহাক্কী 'জহেরা' নোভেলদা চাংয়েং তৌখি। হিজম অঙাংহলনা মৈতৈ পাঙলগী নুপীশিংগী লমচৎ ফজনা য়েকই । জহেরাগী ফজবদা কুঞ্জো কৌবা মৈতৈ পাখঙ অমনা ঙাওহল্লি । শাগৈ জাৎ মান্নদবা অনীগী নুংশিনবগী মরিদা অথীংবা ওইবনা মদুবু নমখায়নবা খুৎলাইসি অশিবা হায়বা অসিনা ওইরকই। নুংশিবদা কল্লকপা য়াওই। ঐগীতা ওইনিংলকই মসিনা অশিববু খুৎলাই ওইনা জহেরাদা শীজিন্নখি। অয়েকপম শ্যামসুন্দরগী লাইরিক অসিদি কায়নবনা নুংশিবগী পন্দোম লোমহনন্দে থুংনহল্লি। মসি চাংয়েং অমনি হায়না লৌবা য়াই। মায় পাকখি। জাৎ মান্নদবনা, থম্বালগী ইমুং পাঙল ওলহনখি। মসিমদি তাবদা খরা নুংঙাইবা ৱাৎলি । হিন্দুগী মতম অমগী অকনবা চৎনবী লৈখিবননি। ঙসিদি মদুগী মাংবা শেংবা, ইস্থোকপা, তাস্থোকপা অদু মাঙখ্রে । মণিপুরদা খুন্দরিবা পাঙলশিং অসিদি মৈতৈ নিংঙোল পীরগা পোকলকপা চাদা নাওদাশিংনি। মৈতৈ পাঙল হায়রিবসি মরম লৈরি। মৈতৈ পাঙলশিংদা মৈতৈ নিংথৌনা পীবা য়ূম্নাক লৈনরি। মৈতৈ পাঙনশিংনা ঙসি য়ূম্নাক হাপ্পদবসি লাল্লি । মৈতৈ পাঙলশিংনা থোল্লম্বা য়ূম্নাক শীজিন্নরিবা মখৈ মৈতৈ পাঙল নুংশিনবা হেনগনি খল্লি। মৈতৈ নিংঙোল থম্বালবু উসমাননা লৌখ্রবা মতুংদা পোকহৌবা মচা মশুশিং হৌজিক লৈহৌরি। লাইরিক অসি ফোঙখিবা নুমিৎতা উসমান থম্বালগী মশু শুথাংনি হায়বা মশক মতৌ ফজবা মশা নানবা মৈতৈ পাঙল নহানুপা অমা লাকখি। মীয়ামদা ৱাসু ঙাঙলমখি। ওসমান থম্বাল মশক ফজরমগনি হায়বসি মশু শুথাং অদু উবদা ফাওখি। চাদা নাওদাসি কাইরং অৱাং লৈকাইদা লৈরি। য়ূম্নাক খুৎহৈবমনি। ওসমান থম্বাল লাইরিক অসিদা অইবনা শীজিন্নরিবা ঙল্লিঙৈগী মৈতৈ পাঙলগী মিঙ্গৌ,শিনফম, শীজিন্নবা পোৎলমশিং মীগী মমিংশি- থম্বাল, চাউবী (থম্বালগী মমা), শানোই (ঈশৈ তৌবী), পোৎয়োনবী,লুকমাই পানবী, কোনুং কাবা, হিদাকফু, চাইশেন, ফক অরোনবা,মোরা, উরৈরোম শংবা খুদৈ, থাংজৌ,থুমমোক পোল্লাং পূম্নমকশিং অসিনা মতম অদুগী চৎনরম্বা শীজিন্নবা কয়াবু নীংশিংহল্লি । লাইরিকসি শাগৎ ৱারী ওইরগসু অশেঙবা থোকখিবা থৌদোক্তা শেমগৎপনিনা মৈতৈ অমদি পাঙল অনীগী নক্লরম্বা মরি অমদি উবা ফংলি। ●

**—মাখোনমনি মোংসাবা**

**ৱারী ককনাউ**

# ঐসু অমুক্তং উংবীয়ু

ইনে থম্বাল অরিবা মতমগী মীনি, অরিবা ৱাখল্লোন, খুন্নাইগী চৎনরোল, থকসি-খাসি অমদি চৎন-লোনচৎপু চেৎনা থাজবা অমদি পামজবীনি। মচানুপা অমদগী হেন্না পোক্তে। ঙল্লিঙৈদগী মপুরোইবা লৈখিদ্রে। ৱানা খ্বাংজেৎ মচি লাংদুনা মচাবু মী ওইনবা হোৎনজরকই। নোংমতা মীগী ময়ূমদা ফমদুনা ৱারেম ঙাঙলক্তে, ইনেনা য়াম্না পামজদে। লৈজবা খরদা পেস্থোকপা হৈ। লুপা ১০০ পায়বদা ২০০ শুনবা হোৎনজৈ। নোংমতা মনীং তম্না অহাওবা অমা চারক্তে, ফজবা অমা শেৎলক্তে। মচাদবু মী ওইরদি খন্দুনা, মীনা ঙাঙনবা হায়নবা অমত্তা মনাদা হাপ্তুমখৈ মখয়াৎ চিক্তুনা হোৎনজরকপনি। ঙসিদি মহাক্কী মচানুপা ইবোতোম্বী ওফিসর মচা অমা ওইদুনা নে তাবা পুন্সি অমা ফংজরে।

মতমগী মতুংইন্না ইবোতোম্বী লুহোংলে। ইনেগী মমৌনুপী জশমিনসু মচানুপাগী ওফিসতা থবক তৌবীনি। মচা মমৌনা ফংলকপা তোলোপনা ঙসিদি ইনে থম্বালদু নে তাজরে। সি মঙাইদনা নুংঙাইবা হায়বদো। লৈকায়দা লৈমিন্নবা পূম্নমক্লা মচা মশু ৱারকপদা থম্বাল অমদি মাগী মচাগী মতৌ তম্মু হায়না হায়নরিবনি। ইনে থম্বাল হৌজিক্তি লৈকায়গী থৌদোক ৱাথোক য়াওরে। ময়াম মমাঙদা মমায় পাকচরে। অদুবু মশাদা চাওথোকপা হৈজদে, ইচম চমজৈ।

লুহোংবা মতুং য়াম্না নুংঙাইনা ইমুং মনুং তাথোক তাশিন্নদুনা হেন্না চাওখৎনবা হোৎনজৈ। মমৌবুসু ইনেনা হেক পোকচবা মচানি খন্দুনা লুনা চান্না তৌজৈ। ইনেগী মশুনুপা অমা য়াওরে। মচিন মখা য়াম্না য়াংই। নুংশিখ্রে পুপ-পুপ হেক লাউরদনা মশক্লা ফজখ্রজাৎনি। ইনেগী মশুদু হৌজিক ক্লাস ৱান তম্মে। নুংঙাইনা লৈরম্বা ইমুং অদু হৌজিক মহি লাংবা খরা খরা হৌরক্লে। অতৈগী নত্তে, ইনেনা পামজবা মৈতৈগী চৎনবী থৌগল্লোন, ৱাঙাঙ শঙাঙ, শাজৎ লিচৎ মমৌনুপীনা হেক হেক শমজিল্লকপসি মানা য়াম্না পেঞ্জদে। অদুমাইনা তৌনু, অদু তৌগদবনি, অদা তৌগদবনি। চৎপদা ফদ্রৎ-ফদ্রৎ চৎলোইদবনি, লিরি খোইরিনা নুপী অমা ওইবগী লেমজগদবনি, মী পোং লাকপদা ঈংনা তপ্পা ৱা হায়গদবনি, নকোক খুমগদবনি, য়ামখ্রে ইনেনা হায়রিসি। মমৌনুপী জশমিন মনেম্না হায়রিবা ৱাদু তাদি তাই অদুবু কয়া লৌরক্তে, মানা খল্লিনা থায়নগী মথোং-মরম খঙদবা ময়ামদু হৌজিক্কী মতমসিদা চৎনদে। ঐগী তৌফম থোকপা অদুম তৌরগা লোইরে, ঐ মীগী মপোৎ মরল হুরাল্লুবা নত্তে, মীগী নুপা নহাদা মীৎয়েং কারল চল্লুবা নত্তে, ঐ-ঐগী ঙম্নবা হোৎনজবনি, সিদবু ঐ করি লানবগে সিনি। তৌবগীবুদি, জশমিনসু ফনা ৱাজবনি, য়ূমসিদা ইমুংগী থবক ইনখাং তৌরিসি মা মথন্তনি। মচা স্কুল চৎপা নংনবা চাক থোংবা, মফি মরোল লোইশিনবা, মনেমগী সেবা, ইমুংগী কুপনোম, মপুরোইবা অমদি মাগী ওফিস চৎনবা হোৎনবা, ওফিসতসু থবক য়ূমদসু থবক ৱাদি ৱারজাৎনি। ৱারদি মীসি শাউরকই হায়দুনি।

লানবগীদি লান্দে হায়বু খুন্নাইগী চৎনরোল ঙাক্লা চৎপা হায়বসিদি অহলশিংগী অপাম্বগী ৱা নত্তে তৌফম থোকপনি। মখোয় মনি মমৌগী ৱাসি অতৈ অমত্তা নত্তে ত্রেদিসনেলিজম অমদি মোর্দনিজম অনীগী ৱাখল্লোন্দা লাক্লিবা খেন্নবা অদুগী ক্রাইসিসনি। ৱাফম কয়াশিং অসিনা মরম ওইদুনা মনি মমৌগী থম্মোয়নুংদা থনুংদা থরুম অমমমদি লৈনরে। অদুনা মথি খরা খরা সুম ফোঙলকপনি হায় তারে। জশমিননা ইবোতোম্বীদা কক-কা কক-কা খরা হায়বজাৎনি। ইবোতোম্বীনা মমাদা হেক হেক পাউহোম্মী।

"য়ান-য়ানবা সুম চৎনসিদা ইমা, মাসু ইমুংগী থবক ইনখাংনে কৈনে ৱাজরবনি, ইমানসু য়ূমসিদা থবক তৌনবা মী অমা থমসি হায়সু য়াদে, খরা উশিন্না খরা উশিন্নদনা তৌরোদা ইমা" ইবোতোম্বীদি ইচম চম্না ইমুং মহি লাংনদনবা হায়জবনি। মদু তাবদা মমাদি পিং পিং লাওখৈ ৱারৌরে।

"ইশ! থুনা হোংইদা, লায়না মাঙইদা ইমাগী ইবুংঙো, নঙবু মী ওইনবা শেন্নকপা নমা ফাওবদা নহাক্লা অদু হায়বা ঙল্লবা কো, ইশ! লোইরেদনা ঐগী ইচাদি" ওস্থোক্লা ৱারৌনা মমানা হায়। অহলগা ওইশিল্লকপনে ইনেদু মথ্বায় য়াম্না নুংঙাইজদে। পূম্নমকসি মাগী মমৌনুপী মতমগী মীসিনা হায়হনবনি, মানা চপী থাদুনা ইচাসে উংখ্রে সিনি।

নোংম-নোংমগী ইমুংগী ময়ি সুম সুম লাউথোরকই। মনেমগা মমৌগা অনীগী মরক্তা হৈনদবগী অমনা ঙাঙবা অমনা তানীংদবগী লায়না অমা কন্না নাবা হৌরক্লে। কৌনীংগুম কৌনীংদগুম, হায়নীংগুম হায়নীংদগুম য়াম্না নুংঙাইতবা ফীভম অমদা লাক্লে। নোংমা নুংথিল অমা মশুনুপানা স্কুল হল্লক্লগা মবোক্কী মনাক্তা লৈরি। মবোক্লা ৱারৌদুনা মমাগী মরমদা খরা ঙাঙই। মশুনুপাদুদি কৈসু থোইদোক্লা খঙজবা নত্তে।

"বোবোক ঙসিদি এঞ্জাং অহাওবা অমা চানীংই।"

"করিনোনে ইশুনা চানীংঙিবো?"

"য়েন মফৈদু চিক্লগা চানীংই।"

"বিষ্ণু বিষ্ণু, অদুগুম্বদুবু কনানা চাই হায়গে, য়াদে য়াদে"

"নহানসু চাইনা অদুদি"

"কাইদা চারিবা?"

"মমানা ওফিস কুম্মকপদা লৈরকপনিনা, ঐখোয়গী কাদা মমানা পীজৈ, মমাসু চাইনা"

"ইশ!! হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ, ঐ লোইরেদনা শিরমদাইসিদা নোরোকতা তারেদনা। নপাদি কৈমতা হায়দ্রা?"

"হায়দেদা, ববাসু চাই, ঐখোয় অহুম চাই, বোবোক নঙ খঙদা তৌরিনি য়াম হাওজাৎনি"

"তূমিন লৈয়ুহে তানীংদে। নোই নমানা নপাসে খুদোম্বীদা হাপ্পগা উংবনি, মদুদা নপাসু অদুম য়ারিবনি, হৈখ্রে হৈখ্রে নখোয় নমাসে ওস্থোক্লা হৈখ্রে। নপাসে নোংমা মকোক ঙাওদনা তুদৌরিবনি" ইনে থম্বাল হৌগৎখ্রে মনীংদা চৎলগা মচিন তেংথোক্লুই।

নুমিদাংদু জশমিন চাক লোইরগা মপুরোইবা হল্লকপা ঙাইবা ওইনা মচানা লাইরিক পারিবদুগী মনাক্তা ফল্লি। মচানা মমাদা য়েংখৎলগা,

"ইমা নঙ মেজিক হৈবরা?"

"চথোদা কাইদগী মেজিকনো হৈতেদা"

"হৈ হৈতে হায়জিন্ননু"

"হৈতেমী"

"বোবোকনা হায়রিবা নঙসে য়াম্না হৈ, ঐখোয় ববাসি মমানা খুদোনবীদা হাপ্পগা উংই হায়, ঐসু অমুক্তা উংবীয়ু মমা, সে ঐসু অমুক্তা উংবীয়ু, ঐ য়াম্না উংনীংঙে"

"কয়াদা মবুক ফৎখিদ্রবা হনুবীনো, অঙাংদফাওবা সি য়ৌনা হায়রবা, ঐ ঈ সুম কারক্কনি, কুম্মৈ তৌনিসে" "মমা ববাদা উংবা অদুমাইনা ঐসু অমুক্তা উংবীয়ু, উংবীয়ু, মেজিক হৈরগা নবুক ফত্তে, মমা, মমা' মচানা কন্না নীংঙাই তৌরি। জশমিনদি মশাদু মমায়দা হুমাং মরিক-মরিক কারকই, খোইদৌদা ঈ হাইজিনখ্রমাল্লে।

**নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।